# মণিপুরদা থবক থিরিবা মীওই ৩,৩০,৫৯৯ লোমগী মথক্তা লৈরে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫(ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌজিক মীশিংনা নোংমা-নোংমগী ঈশিং ঈচাউগুম হেনগৎলকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী লাইরিক লাইসু নিংথিনা হৈরবা মীওই ৩,৩০,৫৯৯ লোম হেনবনা লৈঙাক্কী থবকশিং থিরি। মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা পুন্না ২,২৪,৮৯২ অদুগা নুপী মশিং ১,০৫,৬৯৯নি।

লম্ফেলদা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ইমপ্লোইমেন্ট মণিপুরগী ওফিসদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা হৌজিক মিং চল্লিবা অসি পুন্না মীওই ৮২,৯০৬নি। মসিগী মনুংদা নুপাগী মশিংনা ৩২,৭২০ অদুগা নুপী মশিংনা ২০,১৪৮নি।

ইম্ফাল ইষ্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ৩৮,৯৪৯ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা নুপা মশিংনা ২৮,৩১১ অমদি নুপী মশিংনা ১৩,৬৭৪নি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ৪৩,২২৯ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা ৩০,৭৩৮ অমদি নুপী মশিংনা ১২,৪৮৯নি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ৩৭,৩৮৮ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা ২৭,২১০ অমদি নুপী মশিংনা ১০,১৭৮নি।

চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ২৭,২১০ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা ৩০,২১৬ অমদি নুপী মশিংনা ৫,৮৭৪নি।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ২৬,৪৪২ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা ১৮,০০০ অমদি নুপী মশিংনা ৭,৬৪২নি।

সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ৫১,৪৩৪ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা ৩১,৩৮৪ অমদি নুপী মশিংনা ২০,০৫০নি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ২৪,৪৭২ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা ১৬,৫৩৬ অমদি নুপী মশিংনা ৭,৯৩৬নি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ১৫,৮৮৮ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা ৯,৫৮৬ অমদি নুপী মশিংনা ৬,৩০২নি।

অমরোমদা ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জ/হন্দকেফকী অপুনবা মশিং ইমপ্লোইমেন্ট ওফিসতা পুন্না মীওই ৩,০৮২ রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা নুপা মশিংনা ২,০৭৭ অমদি নুপী মশিংনা ১,০১৫নি। য়ু ই আই এন্দ জি বিদনা পুন্না মীওই ৬৬১ রেজিষ্টর তৌবগী মনুংদা নুপা মশিংনা ২৮৪ অদুগা নুপীনা ৩৭৭নি। অফিস অসিগী মচিন চৎপা ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস টেন হেক পাস তৌবগা মনাক নকপা ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ অমদা ওনলাইনদা রিজিষ্টর তৌগদবনি। মহৈরোয় অদু ক্লাস টুয়েল্ভ, গ্রেজুএট অমদি মাষ্টরনচিং মথং-মথং পাস হেক তৌবগা মহাক্না লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জতা রেজিষ্টর তৌগদবনি।

ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জতা ওইলাইনদা মিং চনখিবা অদু চহী অহুম-অহুম লৈরগা অমুক রিন্যু তৌগদবনি। ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ ওফিসনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী থবক লৌবগী কার্দ থাবা মতমদা শরুক য়ানিংবা মীওইশিংনা মতম চানা ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জতা লাক্লগা কার্দ থাগদবনি।

কার্দ থাবা মতম লোয়খ্রবা মতুংদা কনাগুম্বশিংনা লাকপা য়াওই। মদু থোক্তনবা মতম লৈরিঙৈদা মনাক নকপা ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জতা কার্দ থাবীয়ু। কার্দ থাবা লোয়খ্রবা মতুংদা মখোয়সু নুংঙাইতে হায়রি।

অমরোমদা ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জতা মতম চানা মিং চন্দবা মীওইশিং অমদি মতম চানা কার্দ রিন্যু তৌহৌদবা মীওইশিংনা থবক চংবগী কার্দ থাবা য়ানবা মতম লৈরিঙৈদা চেকশিন্না রেজিষ্টর তৌহৌবা লোয়ননা মতম চানা কার্দ রিন্যু তৌহৌবা য়াম্না তঙাইফদে হায়রি।

# পুলিসকী অথিংবা মরক্তা মীয়ামনা নম্বোলদা মিটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫(ঐচ এন এস): নম্বোল কৈথেল কন্ননবা অমদি নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী তোঙান-তোঙানবা ৱার্দশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্ননবা দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলন্টরি ওর্গনাইজেসন (দি পি য়ু ভি ও), নম্বোল অমসুং নম্বোল অপুনবা নুপী লূপ, নম্বোলনা শিন্দুনা নম্বোল কৈথেলগী হাউ কৈথেল মপাদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা নম্বোল পুলিসকী ফোর্স অমদি নুপী পুলিস লাক্তুনা অথিংবা থমখ্রবসু মিটিং কাইদনা পাঙথোকখ্রে।

অথিংবা মরক্তা তাউরেম খুমন, প্রসিদেন্ট দি পি য়ু ভি ওনা প্রিসাইদ তৌদুনা তোঙান-তোঙানবা এজেন্দা ৫দা মরু ওইনা খন্ন-নৈনখি। এজেন্দাশিং অদুদি, হৌজিক লৈরিবা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী টর্ম অসিদা লাকপা শেনফমশিং অমদি চৎখিবা শেনফমশিং লোয়ননা তৌখিবা থবকশিংগী হ্বাইট পেপর অমদি ওদিটেদ ষ্টেটমেন্ট অমা মীয়ামদা কাউন্সিলনা পুথোক্লনবগী মীয়ামগী ওইবা ফিরেপ লৌমিন্নবা। কাউন্সিল অসিগী হান্নগী ওফিস ওইরম্বা মফমদা কাউন্সিলগী ওফিস শাবা নত্ত্রগা কৈথেলশঙ শাবা নৎতনা অতোপ্পা হীরম অমত্তদা শিজিন্নদনবগী মীয়ামগী ফিরেপ লৌমিন্নবা। মওং-মরিল নাইদনা ফম্মীবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অমদি মৈ থান্নবা লোয়ননা পোৎ শঙবশিংদগী কাউন্সিলনা শেল খোম্বগী মতাংদা খন্নবা। নম্বোল কৈথেলগী ভেন্দরশিংগী অৱাৎ-অপাগী মতাংদা খন্নবা। কাউন্সিলগী ফোর-হ্বিলর ভেন অমা কাউন্সিল অসিগী চ্যেরপর্সননা লনাই শিজিন্নরিবা অসিগী মতাংদা মীয়ামগী ফিরেপ লৌমিন্নবা অসিনচিংবনি।

তুংদা ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈনবা ৱারেপ কয়া লৌদুনা মীয়ামদা লাউনা পাদুনা খঙহনখি।

# মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫(ঐচ এন এস): এস এ/ ষ্টেট মিসন ওথোরিটি, এস এম এ মণিপুর, জেদ ই ও/ দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর-এস এস এ (আইইদি) জোন-ফোর, বিষ্ণুপুরনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অর্টিফিসিএল লিম্ব মেন্যুফেক্চরিং কোর্পোরেসনগা খুৎশম্নদুনা বিষ্ণুপুর ব্লোকতগী চহী ৬তগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা দিসএবল্ড ওইরবা অঙাং ২০০ রোমদা ঙসি মথৌ তাবা কয়া খঙদোক্লবা মেদিকেল এসেসমেন্ট কেম্প অমা এস এস এ বিষ্ণুপুরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুগা মরী লৈননা এস এস এ বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর এল গোজেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি পাঙথোক্লিবা কেম্প অসি দি সী বিষ্ণুপুর নীতা অরাম্বম, জেদ ই ও বিষ্ণুপুর এন তিকেন্দ্রজিৎ অমদি সী এম ও বিষ্ণুপুরগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপনি। কেম্প অসিদা ভিজুএল ইম্প্যেরমেন্ট, মেন্টেল রিটার্দেসন, হিয়ারিং ইম্প্যেরমেন্ট অমদি ওর্থোপেদিককী ডোক্তর ৪না কুপ্না য়েংদুনা খুদোংচাবা পীরি।

আর টি ইগী মখাদা ইনক্লুসিভ এদ্যুকেসন এদস অমা এপ্লায়েন্সেস এসেসমেন্ট তৌরগা জেনরেল অঙাংশিংগা চপ মান্ননা হিংমিন্নবগী পান্দমদা দিফরেন্টলি এবল ওইরবা অঙাংদা এস্কোর্ট, ট্রান্সপোর্ট, নুপীমচা মহৈরোয়শিংদা ষ্টাইপেন্দ অমদি রিদর এলাৱেন্স পীনবা এসেসমেন্ট কেম্প অসি পাঙথোকপনি হায়নসু দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর বিষ্ণুপুর এল গোজেন্দ্রনা মখা তাখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেম্প অসিগী মখাদা চথুরকপা ওইনা থা অসিগী ৬তা মোইরাং কোঞ্জেং জুনিয়র হায় স্কুলদা পুং ৯দগী ৩ ফাওবা কেম্প অসি পাঙথোক্কনি।

# শঙলেন শঙ্গাখ্রে

খাঙাবোক, ফেব্রুৱারী ০৫(ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙাবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএসনগী মনুং চন্না খাঙাবোক খুল্লাকপম লৈকায়দা লৈবা 'ইবুথৌ য়োৎপোকপা'গী নৌনা শাবা শঙলেন ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না সোসল ৱার্কর কে ঐচ মেঞ্জোর মঙাংনা শঙ্গাদুনা লায় কম্মিটিগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

সোসল ৱার্কর মেঞ্জোর মঙাংনা অচংবা শেন্ফম অয়াম্বা পুথোক্তুনা শাখিবা অনৌবা লাইগী শঙলেন অদু শঙ্গাবগী থৌরমদা খাঙাবোক পার্ট ৱানগী প্রধান এন মালা, খাঙাবোক পার্ট থ্রিগী প্রধান এম লৈশানু অমদি ৱার্দ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি। খাঙাবোক খুঙ্গংবু ইংনা-তপ্না লৈনবা লাইগী থৌরমসু পাঙথোকখি।

# ফ্যেরৱেল পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে

ককচিং, ফেব্রুৱারী ০৫(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিস (দি এস দব্লিয়ু ও), ককচিংনা শিন্দুনা ওফিস অসিদা মতম শাংনা গ্রাম সেভিকা ওইনা থবক তৌদুনা পুকচেল চাউনা মীয়ামগী মতেং কয়া পাংলক্লবী এন ইবেনৌনা থবক্তগী পোত্থাখিবদা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিস, ককচিংনা ফ্যেরৱেল পীদুনা ইকায়খুম্নবগী থৌরম অমা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিস, ককচিংদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ময়াংলম্বম চাউবা, থবক্তগী পোত্থরবা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর, চান্দেলনা অথোইবা মীথুং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর, ককচিং অমসুং থৌবালগী থৌ পুরিবা এ কামেসোরনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা ময়াংলম্বম চাউবা থবক্তগী পোত্থারবা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর চান্দেলনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফ্যের লোয়শঙগী মখাদা মফম কয়াদা মথৌ মশক খংনা থবক তৌরম্লবী এন ইবেনৌনা থবক্তগী পোত্থবগী মতম য়ৌরক্তুনা পোত্থরবসু মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং অদুবু শিংথাদুনা লৈহৌরগনি। মখোয়গুম্বা কয়া থোরক্তুনা হেন্না ফবা সোসল ৱেলফ্যের লোয়শঙ অমদি দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিস (দি এস ও) কয়া চলায়বা ঙম্বসু ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফ্যের ওফিসর (দি এস দব্লিয়ু ও), ককচিং অমসুং ওফিস অসিগী ষ্টাফশিংনা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা এন ইবেনৌগী মফমদা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

# এক্সিদেন্টতা মীওই ৮ শোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫(ঐচ এন এস): হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোকখিবা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা মীওই ৮ লোম শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

ঙসি নুমিদাং পুং ৯.১০ রোম তাবা মতমদা উরিপোক ফ্লাই ওভর ব্রিজ মখোঙদা অঙাংবা মচুগী কার অমা য়ৈশিন্দুনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা গাড়ি অদু থৌরকপা কৈশামপাৎতগী মোনিস লোংজম কৌবা মীওই অমা শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে।

অমরোমদা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খোঙজোং কৈথেল অমদি শঙ্গাইখোঙগী মনাক্তা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা মরুটি ৮০০ অনী থেংজিন্নবদা কার অদুদা তোংলকপা মীওই অহুম অশোক-অপন নংখ্রে। থৌদোক অসিদা শোক্লিবা মীওইশিং অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

মরকসিদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম নেসনল হায়ৱে ১০২গী লংথবাল এরিয়াদা ওটোরিক্সো অমা খঙহৌদনা খামজিল্লকপদগী তুংদা লাকপা টাটা মেজিক অমনা থোম্বদা ওটোরিক্সো অদুদা তোংলকপা মীওই মরি শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

# সহিদ খান নুমিৎ ৭নি রিমান্দ লৌথখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫(ঐচ এন এস): য়াইরিপোক টুলিহল ময়াই লৈকায়দগী ৱাসিমা (১৯), অপোকপা জমামুদ্দিন কৌবা অমা মমাং থাগী ২৮গী নুমিদাং পুং ১০ মুক তাবদা য়ুমদগী মোবাইল ফোনদা কৌথোকখ্রগা ময়াং ইম্ফালগী ইরোং চেশাবা ইকোকপাৎকী ঙায়োক ফার্ম অমদা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বা থৌদোক্তা চেন্নবা এম দি সহিদ খান (৩১), অপোকপা এম দি ইথেম, য়াইরিপোক চাঙমদবীদা লৈবা অসি ঙসি চিফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্ট টুগী কোর্টতা পুথোকখ্রে।

মহাক কোর্ট অদুদা পুথোকপগা লোয়ননা নুমিৎ ৭নি পুলিস কষ্টদি রিমান্দ মখা তানা লৌথখ্রে। মহাক ৱাসিমা মীশিগা মরী লৈননা হৌখিবা জন্যুৱারী ২৯দা পুলিসনা ফারগা নুমিৎতুগী নুমিদাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ ৮নি পুলিস রিমান্দ লৌথখিবনি। মীশি অসিগী মতাংদা পুলিসনা মহাক্কী সেন্ট্রো কার অমসু ফাগৎখ্রে। পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মহাক্না নুপী অদু ময়ুমদগী কৌথোক্তুনা পুরগা গাড়ি মনুংদা নুপীদুগী ইকায়খুম্নবা মাংহনখি। মতুংদা ৱাসিমাবু হাৎলগা হুন্দোক্লম্বনি হায়রি।

HURRY LIMITED SEATS HURRY

ADMISSION OPEN

PRE PRIMARY TEACHER TRAINING COURSE (PPTTC)

STARTING FROM 13TH FEB. 2020

at

FIRE VIEW PRE SCHOOL,

Governor Road, Leima Shopping Complex, Imphal West

FOR MORE INFORMATION

Pliz Contact: 9856142154, 9856149909

AND

CHILD CARE CENTRE; FOR DAY CARE & PLAY GROUP

HL-P/6127/6,8,10,12,14

APOLLO TUTORIAL CENTRE

Admission Open For

XI&XII/SC FOUNDATION COURSE - 2020 (CBSE & COHSEM)

SUBJECT : PHY + CHEM + BIO + MATHS + C.Sc + H.Sc.

XII/SC - ENGLISH & M.M. TUTION : Sunday & Holidays

| FORM ISSUE | CLASS TIMING | CLASS STARTS |
|---|---|---|
| 15TH JANUARY, 2020 | 4:30 P.M. - 7:30 P.M. | 30TH MARCH, 2020 |

OFFER ♦ HOSTEL PACKAGE (BOYS & GIRLS)

FOR DETAILS Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6014/4Feb-6April (alt)

/ দুকান শাঙ্গরি

কৈশাম্পাৎ সী সী পুর বস পার্কিং ময়াদা দুকান অমা শাঞ্জরি। কনাগুম্বনা পাম্বীবা য়াওরগদি মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

HL-P/6132/5,6 # 9366664318

/ ইস্কোল য়োঞ্জরি

উরিপোক তৌরাংবম লৈকায় পাম্হৌইবী হাওজিংগা পংলাপ লাপ্পদনা পোইন্ট ৬ (তরুক) চাউবা ইস্কোল অমা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইনা মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদগী মরোল খঙবীনবা হায়জরি।

HL-P/6128/5,6,7 # 9366928158

/TENT HOUSE DUKANGI STAFF'S PAMJEI

1) Mandop Mistry khara pamjei

Team Leader Tolop Rs. 10,000/-

(N.B:- Nongmada 30x40 Mandop anidagi tadana khanba ngamba oigadabani)

2) Decoration N Light Fitting

Fajana heiba numapacha - 10 nos.

Salary Rs. 15000/- (Fixed)

Fooding N Lodging Free.

HL-P/6209/06 Pliz Contact - S.B. Enterprises

Moirangkhom Bazar, # 7085794463, 9366897985

/ ইস্কোল য়োঞ্জরি

কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা পোইন্ট ৪ চাউবা ইস্কোল অমা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাউবীরকউ।

# 7085199054

# 7640915896

HL-P/6137/06

/WALLET LOST

I have lost my Wallet containing ATM Card, Aadhaar Card and Canteen Card (Grocery and Liquor) on the way between M.U. Canchipur and Singjamei Thong on 03/02/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Athokpam Sanajaoba

HL-P/6207/06 Singjamei Kshetri Leikai, # 6009299122

/WALLET LOST

I have lost my Wallet containing Driving Licence, ATM Cards of HDFC, Central Bank, Manipur Rural Bank, PAN Card and Aadhaar Card on the way between Nambol Phoijing and Kangmong on 19th Jan. 2020. If anybody happens to find it, kindly inform to the undersigned.

Sd/- Nongmaithem Binoy Singh

HL-P/6208/06 Nambol Phoijing Makha, # 8974493665

/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোন্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোন্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোন্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হান্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোন্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা তানবা য়ারগনি।

লায়েংজরিবা - Naorem Ibomcha Meitei

Heingang Awang Leikai

HL-P/5954/16-31janto1-15feb Contact Nos. 8014023792/6009147645

/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ

চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোন্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Regd. No. 4277 of 82 April

DR. N. IBOHAL MEITEI,

State & National Awardee

Phone No. 9612225582

HL-B/5858/1/12-31/12

COMET

Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials

TEST SERIES 2020

Exam. Seat Chart Available at COMET Office

For details please contact

COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning

HL-B/6028/6,7

Mega Manipur School

(Established under the aegis of Mega Manipur Society)

CBSE Affiliation No. 1230033

Features

✓ Pre-primary to Class XII

✓ Teacher-student ratio 1:20

✓ Lush green pollution free environment

✓ Activities based learning

✓ Uniform and nutritious tiffin for students upto Class III

✓ Foreign languages

✓ Thang-ta

Introducing

• Artificial Intelligence & Robotics

• Zumba

• Farming activities

Contact: Director/Principal,

Mega Manipur School

Yaralpat Tinseed Road, Imphal East-795005

Phone: 9774785283/8131897716

E-mail: megamanipurschool@gmail.com

Website: http//megamanipurschool.in

ADMISSIONS OPEN 2020-21

Grooming young minds to overcome challenges

HL-P/6135/6

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS

HOPE FOR FUTURE

Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex

Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur

SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR

| CLASS IX & X (BOSEM) | CLASS VI TO VIII (BOSEM) |
|---|---|
| CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020 | CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020 |
| TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m. | TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m. |

* Day Boarding Facilities.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Study Material will be provided.
* Carrier Counselling for future study.
* Transport & Hostel facility will be available.

RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091

HL-P/5262/10 dec-11jan

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE

➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO

➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/4529/25oct.to23nov.